# ৱারীমচা

## তস! কমদৌই

*চুখাম রঘুমণি*

হায়নবগীবুদি– ‘হ্বাট ইজ ইন এ নেম’ মহায়নরিবা। ইমিংসে হোংদোক্লীংলে হায়বদু হেক–হেক য়ৌরকপসি থেঙখাং ফনা য়াম্লকখ্রবনি। ওফিসতা ফংই ঐবু মন্ত্রিগীনা পিয়ন ফাওবনা কোয়চিং। ইরৈকাইদসু, মরী–মতা মরূপ–মপাংশিং মরক্তসু অদু মঙাই। পেৎ লাওবা অমা থোকপদা (ব্যবহারনি হায়দুনা সাহেব, বাবু, তা’, খুরা, মাম, ভাই– বোন্ধু হায়বনচিংবা এফিক্স–সফিক্স নপ্পীদি হায়ববু) অমনসু অমনসু চাওবা, চাওবা। ঐবু হেক চিংজবা, ইনজবা ঙমজদ্রিবসি ইমুং–মনুংগী মেম্বরশিং মঙাইরে। মসিনি নুপীনা খ্বাইদগী মখোয়দৌ থিৎচরিবসি।

ঐসু খরবুদি হাকমঙ্ঙরবনি। ইশাগীনি, নুপীগীনি, ইচাশিংগীনিবু হায়রবদি পুংপঙনি। ইশাগী অমসুং মখোয়গীদমক্তদি হায়জ–নোঞ্জ, ৱাচৎ–ৱানোমগী জাৎ মখৈ দায় লৈতে। মীগীনিবু হায়রগনা পূন্নমক ঐগী দায়গুম্বনি। কনানা করি হায়জিনবীরুরবনো খঙদে, হন্দক্তা মন্ত্রি ওইরকখিবা অমদি মঙোন্দা এলোট তৌরক্লিবা কারদু ফৎমন্দ্রে খরা ফনা অমা ওনবীনবা মরী লৈনবা কাঙবুদা খরা হায়নবীয়ু হায়দনা টেলিফোনবু তৌরকখিনে। পূন্নমকসিদা ঐসু হোয়তনি। অমনা হায়রে হোয়, অমনা তাকলে হোয়। অদুবু পূন্নমক অসি ওইদুনসু ইয়ূমগী ফীভম ফগৎহনবা ঙম্বা মীদাদুমদি ঐ তশেংনা ওইজদ্রে।

ঐঙোন্দা এসাইন তৌবা পিয়ন অমা লৈ। ঋষিকান্ত কৌবা মমিংগা চাননা য়াম্না হৈথোই–শিংথোই। মানা পাল্লিবা য়ূম্বাল–কৈবানগী ফীভম অসি ঐগীদগীদি ফনা ৱাংনা থাক ৱাংখ্রে হায়বসি, নৌনা শাবা ময়ূম শঙ্গাবা য়াওরুবদৈ খঙজরকই। তৌবগীবুদি মানা ঐঙোন্দা হায়জরদ্রবসু ইশানা অদুম পন্থদনা ক্লিয়র তৌথোকচখ্রগদৌবা ফাইলশিংবু, মানা ঐঙোন্দা হায়রগা তৌহনবগুম বেল খিংদ্রিঙৈ চঙলক্লগা হেক–হেক পুথোকখিবা ফাইলশিংগী মশীং ওখাক য়াম্লম্লগনি। মাগী মচিন–মনাও বারি– সম্বন্ধিশিংগী করিগীনি হায়দুনা করি–করিনো ঐঙোন্দা তৌহনখিবা তেংবাঙহনখিবা কয়াসু মশীং নীংশিংদ্রে। অদুনা ঐনা মঙোন্দা হেক–হেক ফাগি তৌই– ঋষি সাহেব ইবান্নি মিং ওন্থোক্লবরা ফম ওন্থোক্লবরা করিনোমা তৌরসি।’ অসুম্না অসুম লাকখ্রবা পুন্সি অসে, লাইবক থীবদগী ফবা ওন্থোকখিবা থৌদোক অমা নৎলমদ্রবদি ইমুং–মনুংগী শান্তি থুগায়জরবা, নে–তাদ্রবা নুপা অমগী পুন্সি ওইরমগনি। ঈশ্বরগী কৃপাদৈ অদু ওইখিদ্রে, ওফিসার অমা ওইনা–ওইনা পিয়নগী য়ূম্বালগী থাক্তগী হন্থজবা মাঞ্জরগসু পুন্সিদা খ্বাইদগী মমল য়াম্লবা– ‘ইমুং–মনুংগী শান্তি’ হায়বদুমদি ঐগী ইমুংদা হৌজিক মতুম–মতুম পাল্লি।

রেঙ্ক মান্নবশিংদি লায়রদনা আ ইখাগী ক্লার্ক ফ্লাক ফাওবা ময়ূম–মকৈ দলান শানদুনা, জিপ–কার তোংনদুনা, মচাশিং লংফৈদা লাইরিক–লাইশু তম্নহন্দুনা লৈনরকখ্রবা মতমদুদা ঐগীনা ইমা–বাজিগী য়ূম অমনবা অমা, স্কুটর অমনবা অমা, ইচানুপা অনীগা ইচানুপী অমগা, ইচা অহুম্না লৈকাইগী স্কুলদা। মতমদুদা ওইখিবা নুপীগী ইশৌদা ঐ য়ূমদকা শুকহন–হঞ্জিন্নীংখিদবনি। ইশাগী হৈনজরক্লবা লিচৎসু শেমদোকচবা শুকঙম ঙমখিদে। মরূপ–মপাংশিংনা নুমিদাং লেম্না পিথকপা য়ুগী নিশাদা তাউমন্দুনা য়ুথকপা–য়ুঙাওবা হায়বদু য়ৌরুদৌরগুম্বনি। চৈরক্তুদা নোংমা নুমিদাং অমা ঐখোয় নুপীদু খঙহৌদনা থিনবা লেংবা তৌরকপদগী, কোইচেন– চেন্নদুনা ঔটো রিক্সো অমা ৱাইরগা হোস্পিটালদা পুখৎলি। পুক্নুংদা কায়রবা এপেন্দিক্সকী কেস ওইরম্বদগী খুদক্তা ওপরেসনগী থৌরাং তৌখি। ঐবু খঙবীবা ডাক্তর নর্স লৈরম্মী। কোয়চেন চেনবী। মায় পাক্লা ওপরেসন পাঙথোকখি। ছুটি নিবগী চেনা ওফিস য়ৌখ্রবা মতুংদগীদি লেপ্পা লৈখিদ্রে– অমা লাকই, অনী লাকই, অহুম লাকই, ওফিসকী মীপুম খুদিংমক, খঙন–চান্নজবনি খঞ্জবা খুদিংমক, এম এল এ মন্ত্রি ফাওবা য়াওরকই, নুমিৎ তরুক্নি হোস্পিটালদা লৈখিবদু অনাবা হংবীরখিবগী মী লৎখিদে। অরাকপা খুদিং অনাবগীদমক করিগুম্বা অমা নৎত্রগা অমা… লৌহৌরোইকা য়াবা নত্তে। নুংশিনা চৈবীরম্বসু কয়ানি–টেলিফোনদা ওইরবসু হান্না খঙহল্লক্তে মীনা হায়বদগী তাবনি…। থৌদোকসিগী মতূংদগীদি ঐগী নুপীনা ঐবু হেন্না–হেন্না অদুম নুংশিবীরকখ্রে। অদুগা ইয়ূমগী অচৌবা অহোংবা অমনা, অথু–অকায়দা নাতে চাদ্রে টেলিফোন অমত্তংদি মথল্লগে খনখিদুনা টেলিফোন লৈহল্লকখিবা অসিনি।

ঐগী য়ূমগী টেলিফোন। লৈকাইগী টেলিফোনগুম্বনি। অয়ূক নুমিদাং খিংলকখ্রিবসিনা অমুক্তোইবা। য়াগন্দ্রিবসু মহানি। হপ্তা কাংদে য়াদ্রিবা। অমুক–মুক য়াদবদা হপ্তা অনী–অহুমকা চঙই। কমপ্লেন্ট তৌমন্দনা করিগুম্বদা ইথন্তা ইকায়জরকপকসু য়াওজরক্লবনি। চহী অসুক কুইরক্লবসি থা চুপ্পা নীংথিনা য়াদুনা লৈখিবা অমুক্তা য়াওখিদ্রি। হন্দকসু য়ারক্তনা লৈরকপসি থা অমা হেল্লক্লবনি। মরূপ–মপাংশিং অমদি খঙন–চান্নবা অহল্লোল নহারোলশিংনা টেলিফোনবু থা অমা য়াহন্দনা থম্বা হৌনব্রা মখোয় তৌরক্কে হায়দুনা হায়বীরম্বসু কয়া য়াওখ্রবনি। য়াহল্লকপদি অমত্তা য়াওদ্রি। কনাগুম্বনা ফাগি তৌবীরম্বসু য়াওই– লৈবাক পুরিবা নঙনা নশাগী টেলিফোনফাও য়াহঙ্ঙবা ঙমদ্রদি।

টেলিফোনগী ৱা হেক পল্লকপদা, শুংশাও শাওগঞ্জদবা ঐসে হেক্তা শাওনিংলকই। ৱানা হোৎনজদুনা মীরমদা ডাক্তর তল্লিবা ইচানুপা অহলদু ছুটি থোরক্লি। মানদি মমাদা টেলিফোনগীদমক চাননা নিঙাই তৌরবা জাৎনি। ঙরাং নুমিদাং তুম্লমদায়দা নুপীনা ঐঙোন্দা ফাগিনিদি হায়ববু তিং শোকপী ৱাতা অমা তৌশিল্লকখি– ‘‘মিংদাদুগা করিগা পিয়নকা ওইরম্লগা হেক চানরমগদবনিদা, অঙম্বা ওফিসারনেএদনা ময়ূমগী টেলিফোনফাও য়াহনবা ঙমদবসিবু।’’ ৱাতাদুনা ঐসে করম তৌননো খঙদে, অহিংকা তুমহনখিদ্রবনি। অদুনা ঙসিদি ঐ টেলিফোনগীদমক্তা শাওরে। ওফিস হেক য়ৌবগা পিয়ন ঋষিকান্তবু কৌশিন্দুনা হায়– ‘‘টেলিফোনগীদা চৎলুচো, ঐখোয়রোমগী পুবা কনা–কনানো অমুক্তা উনরুচো, অপাম্বা পৈশা পীনি হায়রুচো টেলিফোন য়াহন্দবা য়াদ্রে।’’

ইকান–কান্নদনা ঋষি হল্লত্তুনা তম্লে– ‘‘সাহেবহোইরোম পুবা কাঙবুদি লোয়না চথোক্লখ্রমাল্লে কনাম লৈহৌদ্রে, লাইনমেনদু লাইশ্রম লৈকাইদৈ ওইরমাল্লে লক্ষ্মীকান্ত কৌমাল্লে ঐখোয়গীদি লম্বী থোক্লে ঐ হয়েং অয়ূক ঙন্না উনজরুগে।’’

খঙহৌদনা কদোমদগীনো ঐগী কোক্তা নুংশিৎ অমা চঙলকই– ‘‘ও এসতা ঐখোয় অনী অনাবা অমা হংবা চৎলুদ য়াদ্রে হায়রম্মু, হৌজিকমক লাইশ্রম লৈকাইদা চৎলুসি, ঐ মপান্দা ঙাইরম্লগে’’ হায়রম্লগা ঐ থোরকই।

লাইশ্রম লৈকাইদা টেলিফোন লাইনমেন লক্ষ্মীকান্তগী য়ূম থিবা ৱানা থোক্তে। ঋষিকান্তবুদি ঐনা ৱা অমত্তা ঙাংলক্কনু হায়বদৈ ইতুংদা তুমিন ইন্নহল্লগা চঙমিন্নে। মতৌ মালহন্না লৈরম্লিবা য়ূমদুগী থোঙদু লোল্লপ তৌরগা মপান্দদি মী অমত্তা লৈরমদে। ইমুংদা নিনবা টি ভিগী মখোলদি শুমাঙ ফাওবা য়ৌরকই।– ‘‘কনা লৈগে য়ূমসিবো কৈনোমতা হংজগে’’– ঐনা খোন কন্না লাওই। কনাম থোরক্তবদগী অনীরক হন্না কৌই। হন্দক্তি নুপীমচা অমা মমীৎ নোইরদুনা থোরকই।– ‘‘ইবেম্মা নঙ লক্ষ্মীকান্ত সাহেবকী মচারা, মমা লৈত্রা?’’– ‘‘লৈ’’ হায়রম্লগা ইমুংদা চঙখি। ঙাইহাক্তং কান্নরগা হঙ্গামপান মচুগী অহনবা গমশা মতেক ইনবী, ইচুদি তাদনা কেজবী মানবী মৌ নহা অমা থোরকই– ‘‘ইবেম্মবু টেলিফোনগী লক্ষ্মীকান্ত সাহেবখোয়গী…?’’

– ‘‘মানি মশাদি ওফিস কাখ্রে লৈতেনে।’’

– ‘‘খঙজৈ মেম সাহেব, ঐখোয়না লাকচরিবসে মেম সাহেবকা হেক্তা উনজদুনা হায়জরগে হায়দনা লাকচরিবনি… মসি লৌশিনবীয়ু চেজেৎসিনা ঐগী টেলিফোন নম্বরনি, লুপা ২০০ খকসিনা ইচাশিংগী ঙামোক লৈবীনবা… ঐগী টেলিফোনসে য়ারক্তবা থা হেল্লক্লে মেম সাহেবনা, সাহেবতা অমুক্তা তকশিনবীদুনা হয়েংমক য়াহনবীনবা হায়বীদ্রবদি কনামত্তনা ঙল্লরোই।’’ হায়না হায়না ফুরিৎখাউদা মাঙজৌননা থৌরাংলক্লবা নম্বরগা ইমিংগা ইবা চেজেৎতুগা লুপা ১০০ চৎপী অহনবা অনীগা নুপীদুদা পীশিল্লি। ঙকচান্নে, পাক লৌদে অদুবু ঐগী হায়জ– নোঞ্জবা অমসুং তকশিনবা ৱাহৈনা লৌশিলহৌই।

* * *

অয়ূক অঙনবদা মন্ত্রিগীদা চৎলুবদগী ওফিস কারগে থৌরাং লোইবা মতমদু খরা থেংদোকখ্রে। পূং ১০.৩০ তাদৌরে। থোঙজিন কাম্থোক্লমদায়দা, খংপ্রেকপু খংই, টেলিফোন খিংলকই, নুপীনা পায়গে নঙদ্রিঙৈদা চেনশিন্দুনা পায়রুই– ‘‘হলো।’’

## তাবুনুংদগী

*কবি রত্ন লাইশ্রম সমরেন্দ্রগী শৈরেংগী খোমজিনবা লাইরিক ‘‘ৱাকচীংগী কবিতা’’ ১৯৯৯ দা ফোঙখি। লাইরিক অসি পংহাৎতা হাৎলবসু শুকশি শিদবা মীগী মরমদা ইবা নুংঙাইরবা শৈরেং অমা য়াওরি শৈরেং অসি ঙসিগী ওইনা তাবুনুংদগী লৌখৎচরি।*

### হাৎপা

হাৎলি হাৎলি হাৎলি ওন্থোক্লসু হাৎলি
অদুবু শিদে মী
য়েক্লবনা হাৎলি নিংথৌনা হাৎলি
অদুবু শিদে মী
মীহাৎপনা হাৎলি
লায়না লাইচৎনা হাৎলি
মেলেরিয়ানা টাইফদনা
চাক তাঙবনা হাৎলি
য়ুহারাবনা ঈশিং ঈচাওনা হাৎলি
হিরোশিমাদা এতোম বোম্না হাৎলি
ভিয়েটনামদা কাম্পুচিয়াদা
প্রেতোরিয়াদা জোহানেসবার্গতা হাৎলি
অকনবনা হাৎলি
অচৌবনা হাৎলি
অঙম্বনা শাসন পায়বনা হাৎলি
অদুবু শিদে মী
মী মী মী মী মী।

*লাইশ্রম সমরেন্দ্র*

## মণিপুরী পাম্থৈ–পাউরৌ, পাউতাক

- * **করিমতা পীদ্রবসু চীনফেন্দি ফজৌ।**
  – ৱাঙাঙ ফজরদি লোইনা ফরে।
- * **করিসু লৈতবা মরমদা ৱা চাওথোকহনগনু।**
  – অপীকপা ৱাফমদা তুকা থিগৎলুনু।
- * **করম্বা নুপীনো নুপা মরায় অমা ঙম্মীদা।**
  – মীকী লাইকিদবী নুপাদৌনা তৌবা নুপী।
- * **করম্বা অঙাংনোহে খোংবান লুক্লাংদা পোকপ্রা খঙদে।**
  – ঙাওশিন্নবা লমহেনবা অঙাংবু য়াম্না তোম্থনা চৈবিবা।
- * **করম্বা মীনোহে মীগী মমীৎ কোৎকদগুম তৌরদনা।**
  – মীনা উশিত্তনা লাকচনা তৌবদা শাওনীংদুনা চৈবা।
- * **কপ্পদা হুমাই হুম্বা।**
  – কপ্পা থেন্না য়াদ্রবা।
- * **কপসি কপঙমদা নোকসি নোকঙমদা।**
  – তৌফম খঙদবা মতৌ।
- * **কপকদ্রা নোক্কদ্রা খঙদ্রেদা।**
  – কপসু কপনীংবা নোকসু নোক্নীংবা মথোং চাদবা থবক।
- * **কপ্পগা নোকপগা মচীন–মনাওনি।**
  – অমুক ৱাবা অমুক নুংঙাইবা মীওইবগী হৌনশানি।

*খোমজিনবাঃ ডা. লৈশাংথেম তোন্দোন*

## চানক্য নীতি

- দোষ লৈতবা শাগে লৈবরা? নাদবা, ৱাদবা কনা লৈ? নুংঙাইদুনতা লৈবা কনানো? মাঙদবা কনা লৈ?
- লমচৎনা শাগে তাকই, মরোন্না লৈবাক তাকই, উৎলিবা মতৌনা নুংশিবা তাকই, হকচাংনা চীঞ্জাক তাকই।
- অফবা শাগেদা নচানুপী থাজৌ, নচানুপাদা মহৈ তমহল্লু, য়েক্লববু ফত্তবদা হৈনহল্লু অদুগা মরুপ্পু নমদুনা ধর্ম্ম চৎহল্লু।
- ফত্তবা মীগা লিনগগী মরক্তা অমা খনবা তারবদি লিন খল্লু। লিন্দি লাইবক্তা তম্বা মতমদু খক্তদা চীকপনি, ফত্তবা মীদি খোঙথাং খুদিংগী চীকপনি।
- অৱাংবা থাক্কী মীশিংবু নিংথৌনা মাগী অকোয়বদা থম্বগী মরমদি নোংমগী অহৌবদা অরোইবদা অমসুং অকা–অকুমদা মখোয়না নিংথৌবু খক থাদোক্তে।
- প্রলয়গী মতমদা সাগারগী ঙমখৈ থুগাইরকই, প্রলয় ওইদুনসু সাধুশিংনা মখোয়গী ঙমখৈ খক লান্দে।
- অপঙবদি মখোঙ অনী পানবা শানি, মহাক্লা থম্মোয়বু, উহৌদ্রবদি তিঙ্খংগুম্না থিনগাই।
- শক ফজদুনসু, নহা ওইদুনসু, শাগে অচৌবদা পোক্তুনসু মহৈ হৈতবা মীবু মনম য়াওদবা লৈগুম্না পাম্নদে।
- কোকিলাগী ফজবনা মখোলদনি, নুপীগী ফজবনা মপুরোইবা নীংবদনি, মশক থীবগী ফজবনা বিদ্যাননি, লাইনীংগী ফজবনা ঙাকপিবননি।

*হন্দোকপাঃ ককচিংতাবম ব্রজমনি শর্ম্মা*

## মণিপুরী পাউখোং

*ঙসিগী পাউখোং ঃ*

৫৫. মচিন্না মচীঞ্জাক তানবা–
৫৬. ময়াম্বদগী মনাওনা হনবা–
৫৭. মনঙ্গন্দা মরুম কোকশনবা–
৫৮. মচিন্না মচা কোকপা–
৫৯. মচাদা মনাওনি হায়বা–
৬০. লুখাক লাইদা কৎপা–
৬১. শির শির য়াম্বা–
৬২. লৈনম চেনদবা লৈ–
৬৩. লাইদা কৎনদবা লৈ–

*মমাঙ নোংমাইজিং (১০–০৩–২০১৯) গী পাউখোং ফোঙবা ঃ*

৪৬. ইখোলদা ৱা মতোন হায়থবা।
৪৭. খোংবান তৌবা।
৪৮. হৈবী অকংবা।
৪৯. চোঙ্গাং
৫০. মোংবা।
৫১. শবী।
৫২. চুরূপ থকপা।
৫৩. মমিং অমিন কৌবা।
৫৪. জ্বার শান্নবা।

## কান্ন–ৱানি খঙজিনবিয়ু

*** শম কম্থা–কলেংনদুনা খ্রং–খ্রং লাউরবদি?**

নুপী খঙদে, নুপা খঙদে, কোক্কী শমনা লেক–লেকজ্বায়–জ্বায় তানা রেশমগুম মোনবগী মহুত্তা খ্রং–খ্রং লাউনা কম্থা–কলেংনরক্লবদি শাম্পু নৎত্রগা চেংহীনচিংবনা কোক লুজথোকপিরবা মতূংদা ঈশিং লিটর অমদা খোইহী চামচ অনীগী চাংদা য়ানশিন্নবিরগা কোক থাদোকপিদুনা অমক্তুং য়েংবিয়ু।

*** শম কেনবা ফহনবিগে হায়রবদি?**

মতম–মতাং মপা চাদনা কোক্কী শম কেল্লকপগী মরম য়াম্মী। মতম কুইনা তুম্বা ৱাৎলকপদগীসু কেল্লি, কোক য়াম্না শারগসু কেল্লি, হকচাংদা শমগী মচীঞ্জাক ৱাৎলগসু কেল্লি… অতৈ মরম কয়া’মসু লৈরি। তুম্বা ৱাৎপগীদি মেনখৎনবা তুম্বীয়ু। কোক শাবগীসু শাবিরুনু, ঈংথনবা হোৎনবিয়ু, অৱাবা মায়োক্লবদা কোক শারগা অৱাবা কোক্তবনি নীংশিংবিয়ু। শমগী মচীঞ্জাক থীৎপিরগা কোক্তা নীংথিনা নোইদুনা লৈরগা পূংখায় অমরোম ঙাইরগা লুথোকপিয়ু, হপ্তাগী অনীরক। পূংখায়দুগী মনুং কোক্তা ককচেংকা চঙলক্তনবদি চেকশিনবিয়ু।

*** শম–না খূনগৎপিগে হায়রবদি?**

ইমুং–মনুংগী কাচিন–কোয়া লৈমায়দা, কার্পেট মথক্তা, সোফানচিংবগী শরুকশিংদা অমদি অতৈ মফমশিংদা, মরু ওইনা য়ূমদা লোইনবিরিবা হূই–হৌদোংগী মশাদগী কেলহৌদুনা তাহৌ–পকহৌবা শম–না, মতুনচিংববু য়াম্না শেংনা লৌথোকপিগে হায়রবদি অমনবা অমোনবা ফদি (টাৱেল) অমা মচুম তাদনা চোৎহনবিরগা মফমশিং অদুদা উরু–উরু লৈশীন্না কংনান–নাম্থোকপিয়ু। শম–না মতুশিং অদু ফদি অদুদা পকশীল্লকপা থেংনবিগনি।

*(খূৎনম ৮ লক হন্না পুথোক্তুনা কোপী লিশীং কয়া য়োনখ্রবা সনথোঙ পব্লিকেসনগীদমক মণিন্দ্র কোন্সমনা খোমজিন্দুনা ফোঙবা লাইরিক ‘‘কান্ন ৱানি খঙজিনবিয়ু’’ দগী লৌথোকচবা)*

## চয়োলসিগী ফাগী

**শৌ–শৌ মপী!!**

সিগীনি হায়বা খঙদখৈ শৌ– শৌতা লাওগনবী নুপীগী নুপাদুনা, নুপীদুবু য়াম্না কীনা চৎচৈ। থবক মচা অমা তৌজরিবা ওফিসকী ছুটি হেক থাবগা অতৈ করিম পন্থদনা ময়ূমদা হঞ্জৈ। নোংমতং থেংবদা নুপীনা শাওবদু মহাক তশেংনা কীজৈ। অদুবু নোংমদি, ওফিসতগী ময়ূম হন্নবা থোক্লকপদা ওফিসকী শিড়ি কুমথবদা খোঙফম চাহৌদ্রদুনা ওন্থবদা মরাইবক খরা কায়, মখুবী অমা তেক তৌদুনা, হোস্পিটাল চৎলুরগা হল্লকপদা থেংদোকখ্রে। ময়ূম হেক য়ৌবদা–

**নুপী** – পূং ৫ দা ছুটি থাবা ওফিস হল্লকপদা পূং ৭ তাবসিবু করিনো য়ূমদা ঐখোয় লৈহৌরি কায়সি খঙবীদ্রবরা?

**নুপা** – ওফিসকী শিড়িদা নাম্থবদৈ খুবীকা তেক্তনা তৌরিনি, লাইবকসিসু কায়রিসিনি (পংশোক শোক্তবগী প্লাষ্টর খরা নপ্লিবদু উৎলি)।

**নুপী** – ঐখোয়না মপান থোকচদ্রবসু য়াম পংবকাদি নত্তেকো, নত্তে ওফিসকী শিড়িদৈ ওন্থবসিবু পূং ২ চঙব্রাও!

**স্কুটর ফবগী চাং!!**

নুপা অমা অহোং–অচাও কোইথি থিজরুরবা মতুংদা, থৌবদি কাবক কাবক য়ারন্নিবা স্কুটর অমা মীঙোন্দগী লৈজৈ। অদুগা মদুবু করি–করি শেমগদবা, মচাক্লা করি–করি শিনগদবা হায়বদু খঙনবগীদমক্তা ৱার্কসোপ অমদা পুরক্লগা য়েংহল্লি। মেকানিক্লসু থৌ–খোত্তুনা থৱায় য়াওনা য়েংবী। মদুদি–

**স্কুটর মপু** – ইনাও করি–করি কম–কম তৌবা, করি করিদি শিন্দ্রসু য়াখিনি?

**মেকানিক** – খঙদেনে তামো… মসি, হায়দি তামোই গাড়ীসিগী হোরোনখক্তমক মখোল থোকউ য়াদে, অতৈদি মখোল লোই থোএনে!

## শৈরেং

### চাউখৎনবা পাম্বৈ

*– ইরোম মোবি*

খ্বাইদগী লায়রবা মীওইবু
এম পি খন্দুনা থারবদি
মাগী ইমুং মনুং নুংঙাইরক্কনি
মথংদা লৈকাইসু নুংঙাইরক্কনি
লৈকাই নুংঙাইরবদি
মণিপুর নুংঙাইরক্কনি
মরিপুর নুংইরবদি
নোর্থ ইষ্ট চাউখৎলক্কনি
অদুদগী ইন্দিয়া পূম্বা চাউখৎকনি।

### অরোইবা ৱায়েলগী নুমিত্তা

*– তাহির সাজবম*

হে পুন্সি
নঙগী পাক্লবা শান্নবুং অসিদা
কয়াদি কুইরে শান্নরক্লিবা
মচু কয়াগী লৈরাংনা মনীং তমজনা
জগোয় শাজবা ঈথক্লা ঈপাক্তা
থেক খোয়রিবা অকুৎ অতোংগী লম্বী
কল্লক মীহৌগী শুক্কৎলবা শক্তম
লোয়না উজরে নঙগী শান্নবুংসিদা।

ঙসিদি
কোরৌনা ময়ূম মায়কৈ পাঙলমদায় তাঞ্জা অসিদা
চোকথরবা ৱাখলগী পোৎলুম্না নম্থরকপদা
খল্লক্লে মঙল মঙল
করম্নবু চৎলসিগে
পম্থুংগী লম্বীদা
পুরদুনা
মক্তুবা থম্মোয় অমা
অশেংবা অচুম্বা অমসুং ফজবগী
ফিরাল পায়দুনা।

থাজরবা থম্মোয় অসিনা
পূক্নীংগী অপাম্বদা
শোন্নহৌদনা থাংখিবা খোঙথাং
লম্মুক্লরবা লম্বীগী পম্খে তম্না
ফাথবা ঙমদ্রবা ৱাখল অসিনা
কল্লক মিহৌগী কল্লক ময়াইদা
শিন্নজখিবা ইশাবু
লংজখিবা কয়া
লানখিবা কয়া
ইকায়জরক্লে
নীংঙম্লক্লে ঙসিদি
মাঙগী লম্বীনা
তেনশিল্লক্লবসিদা অসুম অসুম।

হে নুংশি থোইরবা
নঙগী থৌজালদি মপান নাইদে
ঙাকপীহৈরবা নঙগী নগুণনা
ঙাকপীয়ুনে ননাইবু
চলহনবীয়ুনে
মায় পাক্লবশিংগী মরক্তা
অরোইবা ৱায়েলগী নুমিত্তা।

### লম্বী কক্লরে লক্ষ্মীগা

*– শগোলশেম মোহেন্দ্রো*

পুন্সিগী পন্দুপ অসিদা
থৌরি চিংবী শান্নরি
নিশা মাগা চখাওগা
অঙম অঙম চিংথোক্লদুনা
মীচঙদি চঙনীংই থম্মোয়না নিশাগী
হন্দোক্লুবসু ঙমজদে চখাউবু
নিশানা চিংলি ঐবু খরুং তম্না
চখাউনা অমুক চিংথোরকই চাখুমাঙ তান্না।

কুইরে চেবাউ চৎচখিবদি
লেঙবিরকউ হায়না লক্ষ্মী মাবু
মহাক নৎত্রদি লৈতরে
শাউরবা চখাউবু থেমজিন্নবা
ইমুংসে ইংনা লৈননবা
লাকপিয়ুদি য়াদে নোংমত্তসু
তল্লমাল্লে মহাক চঙলকপা
লৈখোম থোক্লবা থোঙ্গালশিদা।

অমনা মুক চিংশিন
অমনা অমুক চিংথোক
অনীগী চিংথোক চিংসিন্দা
পাং তিংলবা থৱায়শিনা
লক্ষ্মী মাবু ৱারৌরকই
লম্বী কক্লরসিরা খল্লকই
খল্লকপগা লাকশিনবনা হেল্লকই
অনীগী থৌরিনা ঙকশমসে।

চখাউনা শাওবা ফনবা
নিশা মানা পেঞ্জনবা
ফারুরগে খল্লকই লক্ষ্মীবু
দুবু’ কদায়দবু লৈরমদগে
কনাইদবু লোৎলমদগে
মখোঙ য়াম্বী মহাক্লি
মীচঙ মীখাই নাইবিনি
লম্বী কক্লবদা তারক্লমাল্লে।

### চৎখ্রনি নঙদি

*– লাইশ্রম দেবেন সিংহ*

চৎখ্রনি নঙদি মতমগী খোঙলৈদা
খাম্বা ঙল্লরোই খুদাং পায়দুনা
কায়নরনি মীপুম খুদিং নঙগা
পিরাংদা তাওরনি মালেমসে নঙগী।

তাররোই খোঞ্জেল নুংশিবা সুর
তাম্নাগী খোঞ্জেল, হরিগী খোম্থাং
ইচিক হুল্লনি তাম্নাগী সুর
হল্লক্লরোইদবা নঙগী খোম্থাংদো
হল্লক্লরোইদবা নঙগী খোম্থাংদো
নুংশিবতা ঙাইরনি নঙগী শক্তম
পোথাদরে থম্মোয় নঙগী ৱাখলদা।

উৎলরনু চান্ন’ মায়থোঙ কায়নরমদাই মতমদা
ফাজিঞ্জগে তুমিন নীংথম উনলেন্দা
য়েঞ্জাম পাউজেল নুংশিবা লৈনমগুম
ওইজগে মদুনা পোথাজবা ঐগী
কৎখ্রোকো নঙ, নঙনা পামজবা মফমদুদা।

### চোংউ চোংউ হঙোইগুম

*– ক্ষেত্রিময়ুম সুবদনি*

চোংউ চোংউ হঙোইগুম
ফন–ফন চোংউ
করি খঙগনি হঙোইনা
ঈশিংদা শাৎপা থম্বালদা
লৈহি য়াওরি হায়বদি।

চোংউ চোংউ হঙোইগুম
ফন–ফন চোংউ
ইকায়ববু চাবা য়াবরা
কান্নরগা লোইরে পুন্সিসে
ললোনবা লাকপবু শেনমাংবা য়াবরা
শেন্দোং, শেন্দোং ফংলগা লোইরে।

ফিরাল মমায় চুম্লকপা
ৱাৎতে ৱাৎতে ঐগী মী
শুমাঙ থেল্লোং, ইমুং মনুং
য়েনখা লুখা মীগী মী ঙাক্তা
ঙাচক চাবগুম পুখ্রিদা
প্রিক–প্রিক শৌরে লম্বী–শড়ক

### আন্দোলন

*– থিংবাইজম কুলমণি*

পুন্সি! আন্দোলন অমনি,
আন্দোলনবু ওকচবা তাবনি,
তরাম্না, পুন্সিনা পুন্সিগীদমক।
নুংশিননা হংনরসি, নুংশিরবা
পুন্সিবু খঙননবা, পুন্সিগী আন্দোলন।
ফংনবা ঐখোয়গী অপাম্বা
শান্তি, হিংনবগী শক্তি
প্রেম, অহিংসাগী মন্ত্রনা।

লাকশনু অৱাবা লিশীং কয়া,
নোক্লা–নোক্লা মায়োক্লরসি,
লাকসনু মশীং লৈতনা য়েক্লবা
জয় তৌরসি ভক্তি প্রেমনা।

লাকখিনি প্রকৃতিগী খোঙচৎ
অইং–অশা, অখাক–অরাউ
তমথীরবা নোংলৈ নুংশিৎ
শংবান্নরবা মালেমগীদমক,
খাঙবা ঙম্নদুনা
ঐখোয়গী আন্দোলনগী পাঙ্গলনা।

মতমগী খোঙলৈনা শিৎলনি
বসন্তগী নামিবা মলয়া,
হোংখিনি মালেমগী মায়থোঙসু
ঈথক–ঈপোমদা মচু তরেৎকী
লৈতেংলদুনা অনৌবা ফিজোল,
পুন্সিনা খঙননবা পুন্সি অমা
আন্দোলন ওইবা পুন্সিগী।